# মীখল মাঙওইননা প্রোক্সি ৱারগী লাল্লোংদা অহোংবা লাকপা

**- পোৎশংবম হকিম খাবা -**

‘প্রোক্সি’ হায়বা ৱাহৈ অসি দিক্সনারিনা পীবা ৱাহন্থোক্কী মতুংইন্না ‘নহাক্না মপানথোক্না পাঙথোকপা য়াদবা থবক অমবু, কনাগুম্বা খরদা ওথোরাইজ তৌদুনা নৎত্রগা ইনশিল্লগা পাঙথোকহনবা’ অদুনি। তেংবানবা অসিদা হিংলিবা মীওইবা খুন্নাইনা -- ইমুং-মনুংগী, লৈকায়গী, খুঙ্গংগী অমসুং লৈবাক্কী ওইবা চৎনরোল কয়ামরুম শেমদুনা পান্নরি। অসিগুম্বা চৎনরোলশিং অসিবু কনানসু থুগাইবা য়াদে। লোগী মীৎয়েংদদি মপুসু মনাইসু চপ মান্ননা উবা মরম্না, মীওইবগী চৎনরোল থুগাইরকপা মতাং খূদীংদা মীপূম খূদীংমক ৱায়েলশঙগী চৈরাক ফংনীংঙাই ওই। অদুম ওইনমক কনাগুম্বা মীওই, লূপ অমসুং লৈঙাক অমত্তনা চৎনরোলগী পনখৈ মনুং অদু খক্তদা হিংবা, মথৌ পাঙথোকপা নৎত্রগা লৈবাক ঙাকপা ঙম্লদে, মশা মশানা পাল্লিবা, অরোনবা পান্দমশিং অদু ফংবা ঙম্লবগীদমক্তা, চৎনরোলশিংগী ৱাংমদা লৈবা, কা হেনবা থৌওং কয়া প্রোক্সিগী পান্থৈ অসি শীজিন্নদুনা নারোন্দা চৎথরকই।

কংলৈপাক অসিদা হৌরিবা, মীতৈ অমসুং নাগাগী নীংতম-লালহৌশিং অসিবু নমথনবগীদমক্তা, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা, তোঙানবা কুকিলেন্দ অমগী দিমান্দ তৌবা কুকি নার্কো-টেররিষ্টশিংবু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নদুনা, মীওই কাঙলূপ মশেল অমগা অমগা, চীং-তম খায়দনা হাৎন-শুনহল্লিবা অসিসু প্রোক্সি ৱারগী ময়েক লারবা খুদম অমনি হায়নরি। অমরোমদা, য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহ, ইন্দিয়ান আর্মদ ফোর্সশিংগী মকোক থোংবা মীওইশিং অমসুং ম্যেনষ্ট্রিম মীদিয়াগী কাঙবু খরনা কংলৈপাক্তা থোক্লিবা চহী অহুম হেল্লক্লবা লান অসি ফোরেন এগ্রেশন অমদি ম্যান্মারদগী ঙমখৈ লান্না চঙশিল্লকপা ইল্লিগেল ইন্মিগ্রেন্টশিংনা থোকহনবনি হায়না ইতৎ তত্তনা ফোঙদোক্তুনা, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মথক্তা ‘প্রোক্সি ৱারগী মাষ্টরমাইন্দনি’ হায়না মরাল শীবা, কংলৈপাক-মীয়ামগী খোল্লাও অমদগী, মশা কঞ্জনবা হোৎনবা তারবসু, চীং অমসুং তম অনীমক্তা কুকি নার্কো-টেররিষ্টশিংনা চহী অহুম হেন্না মীতৈ হাৎপা, নাগা ফারগা হাৎলবা মতুংদা অশিবা মশা অদু শা-ঙা শেন্থগুম মতুপ-মতুপ কক্তুনা থোংলগা শিরিবা মীওই অদুগী মতু-মচাদা পীজবা অসিনচিংবা তমথীরবা থৌওং কয়াদা, ইন্দিয়াগী হায়বা ইল্লবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা তূমিন্না য়েংদুনা লৈরিবা অসি উরুরবদি, মীতৈ ৱাহৈদা ‘হুরানবা নকোক্তা নাপী পক্লে’ হায়নবগুম্না, ফীজঙ মরুমদা লোত্তুনা লৈরিবা প্রোক্সি ৱারগী হুরান-লান্না হৈরবা দেল্লীগী অরাংফমশিং অদু তরং-তরং মশক উবা ফংনরি।

কংলৈপাক অসিদা কুকি নার্কো-টেররিষ্টশিংনা, লৈঙাক অমা ইচাউ চাউনা লৈরি হায়বগীসু করিগুম্বা নাচুংবা অমত্তা পোকপা তৌদনা নেশনল হায়ৱেশিংদা মীতৈ অমসুং নাগা কাঙলূপ অনীমকপু চৎথোক-চৎশিন তৌবা থিংবগী থৌওং অসিসু য়াম্নমক অঙকপগী মশক্নি। মীয়াম্না হিংবগী পান্থৈ ওইরিবা ষ্টেট অসিগী হায়ৱে অনী অসিদা খূৎলায় পায়বা কাঙবুশিংনা অচৎ-অওক তৌরিবশিংবু লুট-পাট তৌবা অমসুং হাৎপা-তুপ্পগী থবক কয়া চত্থরক্লিবা অসি মতম য়াম্না কুইরক্লে। মতৌ অসুম্না হায়ৱে-বেন্দিটশিংনা লীশাং শীৎনা চত্থদুনা লাক্লিবা ক্রিমিনেল ওইবা থৌওংশিং অসিবু ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্ট্রিনা তূমিন্না য়েংদুনা লৈরি। ৱাফম অসিনা মরম ওইদুনা, ঙসিদি হায়ৱেশিং অসিদা খূৎলায় পায়বশিংনা চত্থরিবা ডাকু-ডাকাটিগী থবকশিং অসি অচৌবা ইন্দষ্ট্রি অমা ওইরকপগা লোয়ননা, মসিনা মমাঙদা থল্লম্বা পান্দম--‘তম্পাক্কী মীওইশিংগী চরম মেৎপা’ হায়বদুগী ৱাংমদা-- কাংপোকপী, চুড়াচান্দপুর, উখ্রুল অমসুং তমেংলোংনচিংবা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা খুন্দারিবা মীয়ামগী পূন্সিদসু শাথীরবা চৈফূ অমা পীরক্লে। কুকিশিংনা মপূং ওইনা খুন্দাবা কাংপোকপী অমসুং চুড়াচান্দপুরদা পেট্রোল লিটর অমদা লুপা ৪০০ পীদুনা লৈনরে, মীয়াম্না হিংবদা তঙাইফদনা চঙবা হৱাই-চেঙৱাইগী মমল অতিয়া পক্না ৱাংলে, ফংনদ্রে, অদুবু নোংমৈদি মরাং কায়না লৈবা মরম্না নাইন এম এম পিষ্টল অমগা চেঙ বেগ অমগা ওন্নসি হায়রক্লে। নোংমৈনা পুক থনবা য়ারক্ত্রে। পূম্নমক অসিদা নাগা-কুকি অনীনা অওক-অথোম তৌনদুনা ষ্টেট হায়ৱেশিংদা কাউন্টর ব্লোকেদ চত্থনবা অসিনসু চীংমী ইচিন-ইনাওশিংগী অৱা হেনগৎহল্লি। অসিগুম্বা নেশনল অমসুং ষ্টেট হায়ৱেদা লুট-পাট, মীহাৎ-মীপূন অমসুং ব্লোকেদ তৌদুনা, মীচম মীয়াম্থু মৈনুংদা লংশিনবগুম ৱানা-চাক্না হিংহনবগী থৌশিল অসি ইকায়খুম্নজরবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর শ্রী নরেন্দ্র দামুদর দাস মোদিজিগী গুজরাট ষ্টেটতসু চত্থব্রা? মসিবু মালেমগী অমসুং ইন্দিয়াগী করম্বা মফমদা চৎনবগে হায়বা ৱাহংশিং অসি হংনীংবা পোক্লক্লে।

য়াম্না পূক্নীং চিংশিন্নীংঙাই ওইবা অতোপ্পা ৱাফম অমনা, মপানগী ষ্টেটশিংদা ইকুই কুইদনা পাঙথোকখিবা লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলশিং অদু লোইশিনখিবগা, কুকি নার্কো-টেররিষ্টশিংনা মীতৈশিংবু তুংওইনরমদুনা নাগা ইচিন-ইনাওশিংগী মথক্তা ওইনা অমুক লান্দাবা হৌরকপগা, মতাং অনী অসি মপা চানরুবা হায়গদ্রা নৎত্রগা লাক্লিবা কুমজা ২০২৭কী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্লবা য়াই হায়না থাজবা পোক্লরিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখল মমাঙদা অদুক মতৌ মালহন্নবা তাৎ তৌরিবা হায়বদুরা, হান্না লৈরিবা মশীং য়াল্লবা লান্মীশিং অসিগী মথক্তা কোব্রা কম্মান্দো বট্টালিয়ন অমা অনী কংলৈপাক অসিদা থাজিল্লকপা অসিনি। থৌওং অসি পাঙথোক্লমদাই হেক মমাঙ অদুদা সী আর পি এফকী দি জি অমসুং ষ্টেট অসিগী অনৌবা দি জি পি অনীনা মীদিয়াদা--মীরক্তা খূৎলায় পায়দুনা চৎপশিংগী মথক্তা অকনবা এক্সন লৌখৎকনি অমসুং কনাগুম্বা অমত্তনা লৈবাক অসিদা চৎনরিবা লোগী মায়োক্তা থবক তৌবা য়ারোই হায়না অকনবা ৱার্নিং পীখিবগা লোয়ননা জুন ২১ অমদি ২২দা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী লৈলোন ভাইফৈ অমসুং কোন্সাখুল অনীগী মরক্তা লৈবা মফম অমদা ইন্দিয়ান আর্মি, সী আর পি এফ, কোব্রা কম্মান্দো অমদি মণিপুর পুলিসকী অপূনবা কাঙবু অমনা ওপরেশন চত্থখি। লৈলোন ভাইফৈ হায়রিবা খুল অসি পাষ্টর অনী য়াওনা নাগা মীচম তরুক তমথীবা মীহাৎতা হাৎখিবা, কুকিশিংনা খুন্দাবা মফমনি। থৌওং অসিবু, কম্মিটি ওন ট্রাইবেল য়ুনিটি (কোটু) না কুকি এরিয়া খক্তদা ওপরেশন চখৈ হায়না মরাল শীদুনা অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোকখি অমসুং কাংপোকপীদা নেশনল হায়ৱে মতম কক্তনা থিংজিনবগী খোঙজং চঙশিনখি। ৱাফম অসিনা তাক্লিবদি -- ইন্দিয়ান আর্মিনা কুকিশিংগী লৈলোন ভাইফৈ খুলদা ওপরেশন চত্থবা অমসুং মদুগী মায়োক্তা কুকিশিংগী অপূনবা লূপ অমা ওইরিবা কোটুনা নেশনল হায়ৱে থিংজিনবা হায়রিবা থৌওং অনী অসি অমগা অমগা চপ মান্নে। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী পৱারগা, কোটুগী পৱারগা অনীমক পেরেলেল পৱার ঙাক্তনি হায়বা অসিনি। অদুম ওইনমক, লম্বী থিংলিবা কুকি মীয়াম অদু সী আর পি এফকী কোব্রা কম্মান্দোশিংনা কোয়তান তান্নদুনা লীচৈনা কন্থবদগী, কোটুগী হায়ৱে ব্লোকেদ হন্দোকখিবা অমসুং কোব্রা য়াওবা কম্বাইন্দ ফোর্সনা লৈলোন ভাইফৈ অমদি খুল খরদা নুমিৎ হুম্নি চুপ্না ওপরেশন চত্থবদা কুকি খূৎলায় পায়বশিংগা খূৎ থোক্লখি হায়বা রিপোর্টশিং য়াওনা নোংমৈ ৪০ ফাগৎখিবা অসিদি মীয়ামগী পূক্নীংদা য়াম্না থাজদনা অঙকপা পোক্লখি। মীখল মমাঙ অমসুং মতুংদা, কুকি নার্কো-টেররিষ্টশিংনা ওপরেট তৌবা চীংগী কুকি খুলশিংদা মখা তানা লান্মীগী ওপরেশন চত্থরবদি থোক্লিবা ঈরাং অসি লোইশিল্লকপা য়াই।

কংলৈপাক্তা থোক্লিবা কুকি নার্কো-টেররিষ্টশিংগী ঈরাং অসি কুমজা ২০২৩গী মে ৩দা হেক হৌরকখিবগা তম্পাক্তা মীয়ামগী পূন্সি অমসুং লন-থুম ঙাক শেন্দুনা থম্নবগীদমক্তা চোংথোক্লকখিবা অরাম্বাই তেঙ্গোলবুদি গভর্ণর এ কে ভল্লানা লুচিংবা পি আরগী লৈঙাক্না নমদুনা খূৎলায় থাদোকহনখি অমসুং হৌজিকসু অমত্তা খাক্তনা থাদোকহন্নবা হোৎনরি অদুগা খূৎলায় পায়বা কুকিশিংবুনা মনীং তম্না থাদোক্তুনা মখোয়না মীতৈশিংগী মথক্তা তমথীরবা ক্রাইম কয়া চত্থবদা লৈঙাক্না তূমিন্না য়েংদুনা লৈখি। ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা মীওই অমমমদা থা থাগী লুপা লিশীং তরুক তোলোপ পীদুনা সস্পেন্সন ওফ ওপরেশন (সূ) গী দিজিগ্নেটেদ কেম্পশিংদা য়োক্তুনা থল্লিবা কুকি নার্কো-টেররিষ্টশিংনা মখূৎতা অফবা মখলগী খূৎলায় পায়দুনা, ইফোং ফোংনা মপান্দা থোরক্লগা নেশনল হায়ৱেদা লুট তৌবা, ড্রাইভর হাৎপা, পেসেঞ্জর হাৎপা, গাড়ী মৈ থাবা, লোকখাদা ইন্থবা অমসুং মীতৈশিংবু অতম্নদা হায়ৱেশিংদা চৎথোক-চৎশিন তৌবা থিংবা অসিনচিংবা কা হেনবা থৌওং কয়া মনীং তম্না চত্থদুনা লাকখি। লৈলোন ভাইফৈ খুলগী ওপরেশনদা মশীং য়াল্লবা কম্বাইন্দ ফোর্সশিংগা কুকি খূৎলায় পায়বশিংগা নোংমৈ কাপ্নবদা নাকল অনীমক্কী ওইনা মীশি-মীনা থোকপা নৎত্রগা মীফা-মীপূন তৌবগী থৌদোক থোকখিদবা অসি চিংননীংঙাই খরদং ওইজরবসু, কুকি নার্কো-টেররিষ্টশিংগী ফ্রন্টেল ওর্গনাইজেশন অমা ওইরিবা কোটুনা মহৌশাগী মহৌশা য়াগদবোই নীংদুনা থিংজিনখিবা নেশনল হায়ৱেবু সী আর পি এফকী কোব্রা কম্মান্দোনচিংবা কম্বাইন্দ ফোর্সশিংনা নম্ফুদা হাংদোকহনখিবা অসিদি য়াম্নমক থাগৎনীংঙাইগী মশক্নি, মরমদি থৌওং অসি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনফাওবা মমাঙদা ঙমখিদ্রবা থৌদৌনি। ইকুই কুইদনা মিনিষ্টর অসিনা কাংপোকপীদা লান্মী থাজিন্দুনা হায়ৱে ব্লোকেদ তৌবা থিংনবা হোৎনহনবদা অরেম্বা তাদুনা তোকখি। হন্দক্কী কোব্রা অসিদি খারৌ অশেংবা খরা খরা মাল্লে। মালহল্লিব্রা, তৌশিন্নরিব্রা হায়বদুনা অমনি। মসিনা ভোট ময়া অসিদা কোব্রা বট্টালিয়ননা, মীতৈ অমসুং নাগাশিংগী, বি জে পিবু য়াম্না কন্না শাউনীংবা পোক্লরবা ভোটরশিংদা খরগী মখৈদি ঈংথহল্লগনি হায়না থাজনরি।

লুরিবদি, কংলৈপাক্কী মীয়াম্না মখোয়বু ইন্দিয়ান পোলিটিক্সনা শকখঙবীবা উৎপগী ইকায়খুম্নরবা ফিদা অমা ফংবা পাম্নরি। ইন্দিয়াবু মালেম অসিদা লৈরিবা লৈবাকশিংগী মমাঙদা মশক তাক্তুনা চাউথোকচফম ওইহল্লিবা পোলোগী হৌরকফম, শক্লাইরবা শান্নরোয়শিংগী লমদম অমসুং আর্ট এন্দ কলচরগী তুংনফম কংলৈপাক অসিদা লৈরিবা মীয়াম অসিবু ইন্দিয়ান পোলিটিক্স অমদি বি জে পিনচিংবা নেশনল পার্টিশিংনা য়াম্না হন্থবা থাক্তা লৈবা সেকেন্দ ক্লাস সিটিজনশিংগী মতৌগুম্না লোয়নবগী মওং অসি কংলৈ মীয়াম্না য়ানীংবা পোক্লরক্ত্রে। ম্যেনষ্ট্রিম পোলিটিক্সকা লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী পূন্সিগা অনী অসি ঈশিংগা থাউগা য়ান্নবগুম্না তৌরক্লে। ঙাইহাক ঙাইহাক্কী মীৎতা উৎ চাইবা থৌশিল, লৌনম-চীরোল, শেল অমসুং অরং-অরক খরদা কংলৈচাশিংনা পঙথদুনা লৈবা ঙম্নরক্ত্রে।

কোংগ্রেসনা লুচিংবা ইন্দিয়াগী ওপোজিশন পার্টিশিংনা বি জে পিগী মথক্তা ইতৎ তত্তনা সী বি আই অমসুং  এনফোর্সমেন্ট দিরেক্টোরেটনচিংবা ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সীশিং অসি শীজিন্নদুনা পোলিটিক্সকী য়েক্লবশিংবু মাঙহন্নবা হোৎনরে হায়না মরাল শীরি লোয়ননা আম আদমি পার্টিগী কেজ্রিৱাল (দেল্লী), রাষ্ট্রিয়া জনতা দলগী লালু প্রসাদ (বিহার) অমসুং ঝড়খন্দ মুক্তি মোর্চা (ঝড়খন্দ) গী হেমন শোরেন অসিনচিংবা পোলিটিকেল লিদর কয়া খুদোংথীনীংঙাই ওইরে হায়রি। ৱাফম অসি পোলিটিকেল পার্টিশিংগী হৌনবীনি, কোংগ্রেসনা পৱার পায়রবসু অদুম্মক তৌবা থবক্লি, -- শম্পৎনা হায়রবদা মসি অনেম-অৱাং, অমাং-অশেং অমসুং ফূরুপ খায়বা কম্যুনেলিজমগী অচৌবা চৎনবী অমা য়েলহৌঙৈদগী হৌনা শেমগৎলকপা ইন্দিয়াগী পোলিটিকেল কলচরদা মরা লুনা তাশিনখ্রবা হৈনবী অমনি।

অদুম ওইনমক, দিসিপ্লিন ফোর্সশিং ওইনা লৈগদবা ইন্দিয়াগী মিলিটরি অমসুং পেরামিলিটরি ফোর্সশিংবু খূৎশেম্না থোকহনবা কাঙলূপকী ঈরাংদা চিংশিন্দুনা মীচং-মীখাই নাইবা মওংদা মথৌ তৌহনবা অমদি ইলেক্টোরেল পোলিটিক্সকী পান্দম ফংনবা খূৎলায় অমা ওইনা শীজিন্নবা অসি -- ঙাইহাক্কী ওইবা, তুং কোইনা চৎনবা য়ারোইদবা কান্নবা খরা ফংবদি য়াই, অদুবু থৌওং অসিনা সিফাইগী মোরেল অমসুং ইন্টিগ্রিটিদা অকায়বা থোকহল্লক্তুনা মখোয়সু লমহেন-তুহেনবা কুকি টেররিষ্টশিংগী শাজৎ অসি চৎলকপা য়াই। কুকশিংগা খুৎশম্নদুনা দ্রগ লল্লোনবদা য়াম্না চাউনা চেন্নরম্বদগী ফারবা ইন্দিয়াগী সিফাইশিং অদুনা মরৈবাক্কীদমক্তা করম্বা মওংদা মথৌ পাঙথোক্লমগদগে হায়বসি খন্থরুবদা য়াম্নমক নুংনাংনীঙাইগী মশক্নি। ●

# ‘মৈহৌ লাংপোক থোক্তনবা চেকশিনহৌসি’

**- জৈনুল্লাবুদিন নোংজাইময়ুম -**

মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ মখোয় অহুমসি মীওইবা ঐখোয়গী তাইবঙ মপুনা থম্বীরম্বা য়াম্না মরু ওইবা পোৎলমশিংনি। মরমদি মখোয়শিং অসি য়াওদনা মীওইবনা তাইবঙপাল অসিদা হিংবা ঙম্লমদবা য়াই। চানবা চীঞ্জাক্কুম্না য়াম্না মরু ওইবা পোৎলমশিংনি। মৈ, ঈশিং, নুংশিৎনা মীওইবা অমদি অতৈ থৱায় পানবশিংদা মখল কয়াগী কান্নবা পীদুনা লাকই।

অসুক য়াম্না কান্নরবা মখোয় অহুম অসিবু ঐখোয় মীওইবনা মরম চানা চেকশিন্না শীজিন্নদ্রবদি মখোয়না অমুক ঐখোয় মীওইবশিংগী লন-থুম অমদি থৱায় তুম্না মাঙহন-তাকহনবা ঙম্মী। ঈশিং, নুংশিৎনা মীওইবগী পূন্সি অমদি লন-থুম মাঙহনবদি খরতা ওইরবসু লেমহৌই। মৈনা চাকখিবদি করি অমত্তা লেমহৌদে। মৈনা তুম্না চাকথোকখিবা অমদি মসিগী অমাঙবশিং ঐখোয় মীওইবনা হৌখিবা মতমশিংদা থোকখিবা মৈহৌ-লাংপোকশিং হায়বদি য়ূম-কৈ, ফুরা-দলান, দুকান অমদি লৈঙাক্কী লোয়শঙ, উমং-ৱামংনচিংবা মৈ চাকখিবগী থৌদোকশিংদগী খঙখ্রে।

অয়াম্বনা মৈ চাকপবু হৌখ্রবদি মপূং ফানা কনবা ঙমদে। মালেমগী লৈবাকশিংদসু ঐখোয়গী মণিপুরদসু য়াম্না চাউবদগীনা খরা হন্থবা মওংগী ওইবা মৈ চাকপগী থৌদোক য়াম্না থোকখিবগী পাউ ঐখোয়না তোয়না তানখ্রে। মৈহৌ লাংপোক অয়াম্বনা অশাবা কালেন থাগী মতমদদি মৈ চাকপগী খোঙজেল য়াম্না থুই। মরম অসিনা মীয়াম অমদি লৈঙাক্কী লোয়শঙশিংনা মৈ কনবা লাকপদা মপূং ফানা কনবা ঙমহৌদে। মৈহৌ লাংপোক থোকপা অসি মীওইবা ঐখোয়গী খ্বাইদগী চাউবা অৱাবা নংবা থৌদোক অমনি। মরম অসিনা ঐখোয়না মৈহৌ লাংপোক থোকপগী মরম অমদি থোকহন্দনবগী মরমদা খরা হেন্না খঙননবা হোৎনফম থোকই। লৈঙাক্কী মরী লৈনবা লোয়শঙনসু চহী খুদিংগী মৈহৌ লাংপোক থোক্তনবা থৌরমশিং পাক শন্না পাঙথোকপীবা ফৈ।

অদুবু লৈঙাক্না অসিগুম্বা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রামশিং অমসুং নীংশিং থৌরমশিং অসি পাউচে অমদি রেদিওদতা ওইনা পাঙথোকপনা মীচম মীয়াম অয়াম্বা তাহৌদবা, থেংনহৌদবা কয়া অমা য়াওই। অদুনা আর্টিষ্টশিংনা দাইলোগ ওইনা শেম্লগা কোইনা চৎতুনা শক্তম অমদি ৱারীশিং মীয়ামদা য়ৌহল্লবদি মৈহৌ লাংপোক থোকপগী চাং হন্থহনবদা মতেং ওইগনি। তাইবঙ মীওইবা ঐখোয়না থেংনরিবা তাইবঙ মপুগী মহৌশা খূৎশেম ঈশিং-ঈচাও, নোং-নুংশিৎ, লেন তাবা, য়ুহা হাবা, ঈকং থোকপা, সুনামি, লায়না-লাইচৎ, লাননচিংবা থোকপদা লোইনা মাঙ তাক্তে। অদুগা মৈহৌ লাংপোক মৈনা চাকপা হায়বসিদি পোৎ খুদিংমক মৈখু ওন্দুনা হাঙলবা অতিয়াদা মনীং তম্না পাইনখি, তাঙ্গোই অমদি উৎনা লৈমায়দা লৈহৌই।

মরম অসিনা মৈহৌ লাংপোক (খঙহৌদনা হৌরকপা) য়ারিবমখৈ থোক্তনবা ঐখোয়না ঙম্বমখৈ চেকশিলহৌগদবনি। চেকশিন থৌরাং খরা :- (১) য়ূম অমদি য়ূমগী অকোয়বদা চরু-ৱাইরু, মনা-মশিং, উনা-ৱানা, অকংবা মৈ চাক্কনবা পোৎলম অমফাওবা তাহল্লোইদবনি। তঙাইফদনা থম্বা তারবসু খরা থাপ্না চেকশিন্না খোমজিন-তাশিন্দুনা থমগদবনি। শীজিন্নবদগী অরেম্বা ফিরোল, অতৈ পোৎলমশিং য়ূমগী কা মনুংদা থম্বীরোইদবনি। মৈ হৌগনবা পেট্রোল অমদি দিজল, কেরোসিননচিংবা য়ূমগী কা মনুংদা মরাং কায়না থম্বীরোইদবনি।

(২) য়ূমদা লোয়বা শা-ষণশিংগী লৈফমদা কাং, হয়িং চিক্তনবা কাংমৈ খুবদা য়াম্না চেকশিনগদবনি। নুমিদাং, অহিংদা নুংশিৎনা অমদি অতৈ মরম অমনা মরম ওইরগা মৈ হৌরক্তনবা মরক-মরক্তা চেকশিন্না য়েংশিনবীগদবনি।

(৩) চাকথোঙ গ্যাস সিলিন্দরশিংগী মচিন অমদি পাইপনচিংবা তোয়না লিক ওইবা য়াওবরা য়েংবীগদবনি। খঙহৌদনা গ্যাস সিলিন্দর মৈ হৌরক্লবদি রেগ্যুলেটর লৈথনবা হোৎনগদবনি অমদি অথাবা ফি, বোরানচিংবা নৎত্রগা সেন্দ বেগ (লৈঙোই বোরা) না কুপশিন্দুনা মৈ কনবদা মতেং পাংবা য়াই।

(৪) য়ূম, ওফিস, দুকাননচিংবা মৈ থানবদা শীজিন্নরিবা ইলেক্ট্রিক ৱায়র অমদি মরী লৈনবা মচাকশিং হীরমসিদা খঙ-হৈরবা মীওইশিংগা তানরগা চেকশিন্না ফিট তৌবীগদবনি। মরক-মরক্তা লুজ ওইবা য়াওবশিং চ্যেক তৌগদবনি। মতম শাংনা চৎকদবা মচাকশিংতমক মৈ থানবদা শীজিন্নগদবনি। মৈহৌ লাংপোক থোকপগী মরু ওইবা মরমশিংগী মনুংদা ইলেক্ট্রিক সোর্ট সর্কীটনা থোকহনবা অসিসু অমনি। মসিদগী য়াম্না চেকশিনগদবনি।

(৫) ফমুং অমদি কাঞ্জুল মনুংদা চুরুট/বিড়ি থকপীরোইদবনি। মোম্বতি নৎত্রগা থাওমৈনা কাঞ্জুল মনুংদা মা-কাং হাৎলোইদবনি।

(৬) য়ূম অমদি মসিগী অকোয়বা চাকশঙ, খাংপোকশঙ, মীথুংশঙগুম্বশিংদা মথৌ তাবগী মতুংইন্না শীজিন্নরম্বা মফমশিং মপূং ফানা মূত্থৎপীগদবনি। চুরুট-বিড়িনচিংবা থকপগী অরেম্বশিং অমদি মৈখেৎকী মচাকশিং মফম চানা হুন্দোকপীয়ু। অকংবা মৈ চাক্কনবা মফমশিংদা হুন্দোক্লোইদবনি অমদি ইশানা মূত্থৎপা কাউরোইদবনি।

(৭) য়ূমগী কাশিং, দুকান, ওফিসনচিংবদা মোম্বতি (কেন্দল) থানবদা য়োৎ নৎত্রগা চাক্লিবা মোম্বতি তুদনবা অমদি তুম্লকপদা অতৈ মৈ চাক্কনবা পোৎলমশিংগা শম্নখিদনবা হোৎনগদবনি। মোম্বতি, গ্লাস য়াওদবা থাওমৈনচিংবা তুমদ্রিঙৈদা মুত্থৎপীগদবনি। য়ূমগী অঙাংশিংদা চুরুট/বিড়ি পায়হনবা, য়ূম অমদগী অমদা, কা অমদগী কা অমদা মৈ পুথোক-পুশিনগী থবক শিন্নরোইদবনি।

(৮) মথৌ তাবগী মতুংইন্না থম্বা য়োৎ অমদি উগী মৈখেৎশিং  ৱাখল তাদ্রিবা য়ূম অমদি লৈকায়গী অঙাংশিংনা উরোইদবা, ফংলোইদবা মফমশিংদা থম্বীগদবনি।

(৯) অঙাং মচাশিংদা মৈবুল নৎত্রগা অতোপ্পা মৈ অমা পুথোক-পুশিন তৌহল্লোইদবনি। মৈখেৎকুম্বা, মৈগা মরী লৈনবা পোৎলমশিং অঙাংশিংদা শিন্নরোইদবনি। নুমিদাং অমদি অথেংবা অহিংগী মতমদনা মৈহৌ লাংপোক থোকপগী চাং য়াম্না ৱাংই। মরম অসিনা মৈ কনবদা মপূং ফাবা ঙম্নদে, য়াম্না চেকশিনগদবনি। মমাঙঙৈদদি য়ূমগী মনাক নক্না লৈবা পূখ্রি, খোংবান, পাৎ, তুরেলনচিংবদগী লৈকায় খুলগী মীয়াম্না ঈশিং হোল্লগা মৈ মূত্থৎনবা হোৎনরম্মী। হৌজিক্তি য়ূমগী অনকপদা ঈশিং লৈনদ্রে। অদুনা মৈ চাকপগী মফম পাক চাউদ্রিঙৈদা মূত্থৎপা য়াবা পান্থৈশিং থিহৌগদবনি।

অনকপদা লৈবা মৈগী লোয়শঙদা থুনা পাউ পীহৌগদবনি। মৈগী লোয়শঙ অমদি পুলিস ষ্টেশনশিংগী ফোন নম্বরসু খঙজিনবীগদবনি। ফায়র বৃগেট অমদি অতৈ অতৈ মৈ কনবা য়াওবা লাকপা মীওইশিংগী লম্বী হাঙনা চাউনা থমগদবনি। মৈ চাকপা কনবদা য়েক্লবা মরুপ নুংশিনবা-নুংশিনদবা থিরোইদবনি। কাঙলূপ-ফূরুপকী লাইনীং-লাইশোন খায়রোইদবনি। মৈ চাকপা অমদি অতৈ অতৈ অৱা-অনা তারবা মতমদা মতেং পাংবীবসি তাইবঙ মপুনা য়াম্না পাম্মী হায়। ঐখোয়না কনাগুম্বা অমগী অৱাবা থবক অমদা মতেং পাংবীরবদি তাইবঙ মপু মহাক্নসু ঐখোয়বু নুংশিবীগনি। অসুম্না তাইবঙ মপুনা পাম্বা থবকশিং ঐখোয়না তৌরবদি তাইবঙ মপুনসু ঐখোয়বু নুংশিবীরক্কনি। ঐখোয়গী অৱাবা থৌদোকশিংদসু মতেং পাংবীরক্কনি। ●

# ৱর্ল্ড এনভাইরোনমেন্ট ডে – শাবা হেল্লকপনা লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন শোকহল্লি –১

**- এল সোতিনকুমার -**

হৌখিবা চহি ২০দগী লেপ্তনা শাবা হেল্লকপা থেংনরিবসি চহি কয়াগী মমাঙদগী মোৎলকপা নুংশিৎতা গ্রীন হাউস গ্যাস থাদোকপা হেল্লকপদগীনি হায়বসি মালেমগী মমিং লৈরবা ক্লাইমেট সাইন্টিষ্ট কয়াগী থাজবনি। শাবা হেল্লকপনা লৈবাক কয়াগী শেন্মীৎলোন শোকহল্লি হায়বসিনা ক্লাইমেট চেঞ্জ অমসুং ইকোনোমিক দিভেলপমেন্টকী মরমদা লৈনরিবা ইকনোমিষ্টশিংগী থাজবনি। কুমজা ২০১৮গী ইকনোমিক্সতা নোভেল প্রাইজ ফংখিবা য়ু এসকী য়েল য়ুনিভর্সিটিগী প্রোফেসার ৱিল্লিয়ম নোরদাউস অমসুং ন্যুয়োর্ক য়ুনিভর্সিটিদগী প্রোফেসার পাউল রোমর অনীগী মচং ওইবা থিজিন ৱারোলশিংসু ক্লাইমেট চেঞ্জনা লৈবাক কয়াগী শেন্মীৎলোন শোকহল্লক্কদবা অমদি মসিনা লৈঙাক্লোন্দা পীরক্কদবা শাফু অমসুং মীগা–মীগগী মরক্তা খেন্নবা লাকহনগদবা য়ুম্ফমশিংদনি। মবানিগী নৈনা ৱারোলশিংদা শাবা হেল্লকপনা করম্না লৈবাক অমগী শেন্মীৎলোন শোকহল্লক্কনি হায়বগী তাংদাংবা মরী মখোঙ খঙহনবা ঙমদ্রবসু তুংগী ক্লাইমেট সাইন্টিষ্ট অমসুং ক্লাইমেট চেঞ্জ অমসুং ইকনোমিক দিভেলপমেন্টকী মরমদা নৈনরিবশিংদা চাউনা মতেং ওইগনি হায়বগী রোয়েল স্বিদিস একাদেমি ওফ সাইন্সনা ইকনোমিক্সতা প্রাইজ পীখিবনি।

প্রোঃ ৱিল্লিয়ম নোরদাউস কুমজা ১৯৭২ দগী ক্লাইমেট চেঞ্জ মায়োক্লবদা করম্বা মওংদা ইকনোমিক গ্রোথ ৱাংখৎহনগদগে হায়বসিদা কুপ্না নৈনবা হৌখি। কুমজা ১৯৯৪ দদি মহাক্না চহি য়ান্না চঙনা থিজিনবদগী ফংবা অনৌবা লৌশিংগা মরী লৈনবা ইকনোমিক কোষ্ট ওফ ক্লাইমেট চেঞ্জ হায়বা  ৱারেং অমা ফোঙখি। মহাক্কী ৱারেং অদুদা শাবা হেল্লকপনা অকোয়বগী শক্তম শোকহল্লকপগা ইরোয়ননা সোসিয়েল কোষ্ট হায়বদি মীওইবা খুন্নাইগী পুন্সি মহিংদা অকায়বা পীরকপদা মখোয়বু লৈতানা হিংহন্নবা লৈঙাক্না কাইথোক্লিবা শেনফমগা শেন্দোং তান্নবা অমসুং ইকনোমিক গ্রোথ ৱাংহন্নবা নুংশিৎতা কার্বোনদাইওক্সাইদ গ্যাস থাদোকপগী শেনফমগা চাংদম্নবা অনৌবা সিষ্টম মচা খায়না ফোঙদোক্লি।

মালেমগী মমিং লৈরবা য়ুনিভর্সিতি কয়াগী ইকনোমিষ্ট অমসুং ক্লাইমেট সাইন্টিষ্টশিংনসু শাবা হেল্লকপনা মালেমগী শেন্থোক নেম্বা লৈবাক ১০০ রোমদা পোথোক পুথোকপা হন্থহনবগা ইরোয়ননা পৃথিবীগী হেন্না শেন্থোক হন্থহনগনি হায়বা অনৌবা দাটা অমা পুথোক্লরক্লি। কুমজা ১৯৬০দগী ২০০৬ ফাওবগী মনুংদা অহিং–অশাগী খল হোংলকপগা মরী লৈননা চাওখৎলক্লিবা লৈবাক খরদা পোথোক পুথোকপগী চাং হন্থরকপা থেংনখি হায়না য়ুনিভর্সিটি ওফ সুমেক্সকী প্রোফেসার তোননা মহাক্কী অনৌবা আর্টিকল অমদা ফোঙদোরক্লি। মহাক্কী মতুং ইন্না শেন্থোক নেম্বা লৈবাক খরদি শাবা হেল্লকপদগী পোথোক পুথোকপা হন্থরকপগী হেন্না লায়রবা লৈবাক ওইরক্কনি। অদুম ওইনমক শাবা হেনবগী অৱাবা মায়োক্লরিবা লৈবাক খরগী ওইনা শেন্মীৎলোন হান্নগী শরুক অহুমলোম ৱাংখৎলক্লবা হোৎনরগসু শাবা হেল্লকপনা পীবা শাফু মায়োক্লনবা হোৎনবদা অহেনবা শেনফম কাইথোক্তবা য়াদবগী অরেম্বদা শেল মাঙহল্লি। ৱর্ল্ড বেঙ্ককী মতুং ইন্না ক্লাইমেট চেঞ্জনা শোকহল্লবা চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংদা তেংবাঙশেল অমসুং অতৈ পোৎলমশিং পীনবা হোৎনবদা কুমজা ২০৩০গী মনুংদা মথং শিৎনা য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ১৪৫–১৭৫ অমসুং য়ু এস দোল্লর বিল্লিয়ন ৩০–১০০ রোম চঙলবা য়াই হায়বা হিসাব অমা উৎলি। অদুম ওইনমক হৌজিক হৌজিক্কী ওইনদি ৱর্ল্ড বেঙ্কনা য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ৯দগী হেন্না কাইথোকপা ঙমদ্রি। ৱর্ল্ড অমসুং য়ুনাইটেদ নেসন্সনা শাবা হেঙ্গৎলকপগী অৱাবা মায়োক্লরবা লৈবাকশিংদা লিশাং শিৎনা তেংবাঙ পোৎলম অমসুং শেল পীবদা খুরৌ থাংগদবা ময়ান্না চাওখৎ মাঙজিল থারবা অমসুং চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংনা নুংশিৎতা গ্রীন হাউস গ্যাস থাদোকপগী চাং হন্থহন্নবা অখন্নবা থৌরাং খরা পায়খৎনবা হোৎনগদবনি হায়বসি নোবেল লোরেট ৱিল্লিয়ম নোরদাউস অমসুং প্রোঃ টোন অনীগী পাউজেলনি। পান্দম অসিগীদমক চাওখৎ মাঙজিল থাখ্রবা অমসুং চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংনা নুংশিৎতা কার্বোনদাইওক্সাইদ থাদোকপগী চাং হন্থহন্নবা অনৌবা থৌশিল অনীখক চাংয়েংগী ওইনা হৌদোক্লবা হোৎনবা চঙই। অহানবা খোঙথাংগী ওইনা চাওখৎ মাঙজিল থারবা লৈবাকশিংনা চাওখৎলক্লিবা লৈবাকশিংদা মখোয়না শীজিন্নরিবা অনৌবা টেক্নোলোজি মখলশিংগী খুদোংচাবা ফংহন্নবা হোৎনবগা ইরোয়ননা রিন্যুএবল ইনর্জি শীজিন্নবা অমদি অনৌবা টেক্নোলোজিশিংগীদমক অহেনবা শেল থাদবা চঙই। অসিগুম্বা খোঙথাং সিদি রাজনিতিগী পান্থৈ হায়বদি অফবা মরী থন্নবা হোৎনবগী মথক্তা লল্লোন ইতিক্কী ওইবা পোৎলমশিং পুথোকপদা তেংবাঙমিন্ননবা হোৎনগদবনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অহবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।